# মেঘলায়াগী এন সি পি মীরেপ জোনাথন সাংমা, অতোপ্পা মীওই অহুম বোম পোকখাইবদা শিরে




**শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ**
ঙরাং নুমিদাং ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আই ই দি) পোকখাইবদা মেঘলায়াগী মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইরিবা নেসনেল কংগ্রেস পার্টি (এন সি পি) গী জোনাথন এন সাংমা অমসুং সেক্যুরিটি ওফিসার অমা লোয়ননা পার্টিগী ৱার্কর অনী শিখ্রে।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না ঙরাং নুংমিদাং গারো হিলসকী মফম অমদা ভোট খোন্বা চৎলুরবা মতূং হল্লকপগী লম্বীদা টেরোরিষ্টনি চিংনবশিংনা আই ই দি বোম পোকখাইহন্দুনা এটেক্ট চত্থরকখি। মফম অদুদগী অশিবা হকচাং মরি ফংখি। মখোয়গী মনুংদা এন সি পি গী মীরেন জোনাথন য়াওখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মাৰ্জিষ্ট্রেট রামকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর মুকুল সাংমানা এন সি পি গী মীরেপ জোনাথন লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না ট্যুটরদা ফোঙদোরকখিবদা লুচিংবা অদুনা লৈখিদবদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি। মরাল লৈজদবা মীওই কয়া য়েক্নবশিংনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুদা মেঘলায়াদা শান্তি থুগাইহনবা ঙম্লোই। থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়রি।

লোক সভাগী মেম্বর অমসুং মেঘলায়া কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা থৌদোক অদুদা পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অদুগুম্বা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক অদু ষ্টেট অসিদা থোক্লি। মদু থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা অমনি হায়রি।

ভারতিয়া জনতা পার্টিনসু থৌদোক অদুবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা জোনাথন এন সাংমাগী ইমুং মনুংশিংগা লোয়নদুনা লৈরি। মীখলগী মতমদা অসিগুম্বা থৌদোক থোকপা হায়বসি হকচিন্না লৌই হায়রি।

ইং ২০১৩ গী মীৎয়েংদা জোনাথন সাংমাদা কিহল্লকপা লৈখিবগা লোয়ননা অহেনবা সেক্যুরিটি ফোর্স পীবিনবা হায়জরকপসু লৈখি হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

সিট ৬০ লৈবা মেঘলায়া এসেমব্লিগী মীখল চৎলিবা থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্লবা শেম শারিবনি। ৱিলিয়ম নাগর কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা এন সি পি গী মীরেপ ওইরিবা জোনাথন এন সাংমা ঙরাং নুমিদাং আই ই দি বোম পোকখাইবগী তমথিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রে। মীওই অদু রাজনিটিগী লৌতুনবগা লোয়ননা গারো নেসনেল লিবরেসন আর্মি (জি এন এল এ) না হাৎখিবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

বোম পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা জোনাথন য়াওনা মীওই মরি শিখি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা জি এন এল এ গী হান্নগী কম্মান্দর নিকম সি ঐচ মোমিনসু য়াওরি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না ক্লাস টুৱেভ তল্লিবা মহৈরোয় অমসুং খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে। নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৭.৫০ রোম চৎপদা থোকখিবা পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা মীওই ৪ শিখি অদুগা অতোপ্পা মীওই ৩ না অশোক-অপন নংখি। শোক্লবা মীওইশিং অদু ফিভম লুবনা মরম ওইরগা গুৱাহাটিদা পুদুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেট অদুগী সোংসক্তা পাঙথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা মীফম অমদা লুচিংবা অদুনা হায়, থোক্লিবা থৌদোক অসি ষ্টেট অদুদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রে হায়বদু তাক্লে। মীরেপ ওইরিবা মীওই অমা হাৎখিবা হায়বদু চাওখৎতবা অমসুং পাংদবগী থৌওংনি। থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরি হায়খি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, থৌদোক অদু লাইবক থিবা অমনি। রাজনিটিগী লমদা চঙশিল্লক্লিবা মীওই অমা হাৎখিবা হায়বদু চোংখৎলকপদা ময়োল থুদেকপা হায়বদুনি। মরাল লৈবশিং অচুম্বা ৱায়েল চত্থদুনা দন্দি পীগদবনি হায়খি।

ৱিলিয়ম নাগরগী এন সি ও কানসু মীহাৎ অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং খুদক্তা ফাগদবনি হায়না তকশিল্লক্লি। লোয়ননা মীহাৎ অদুগী মতাংদা মনিংতম্বা বোদি অমনা থিগৎহনগদবনি হায়রি।

অদুগুম্বা পাংদবা থৌওং অদু মীপুম খুদিংমক্না খঙগদবনি। মীয়াম্না মখোয়গী অপাম্বা মীরেপ খন্নবগী হক লৈ। কনাবু মীহুৎ ওইহনগদগে হায়বা অদু মীয়াম্না লেপকদবনি হায়না গারো হিলসকী এন জি ও শিংনা ফোঙদোরক্লি।

# রুসিয়াগী দাগেস্টান চর্চতা টেরোরিষ্ট অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা নুপী ৫ শিরে



**মোস্কো, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ**
রুসিয়াগী ইরাং লৈরিবা রিপব্লিক ওফ দাগেস্টানদা লৈবা চর্চ অমদা নোংমৈ অমসুং থাঙ পায়বা মীওই অমা চঙশিল্লক্তুনা মথোঙ মরম খঙদনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা পুলিস ওফিসার অমা য়াওনা ৫ শিরে। শোক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা অনীগী ফিভম লুরি হায়রি।

কিসলায়ার সহরদা লৈবা চর্চ অমদা নুমিদাংৱাইরমগী লাই খুরুমবগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা মীওই অমনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক্ট চত্থরকখি। এটেক্ট চত্থরকখিবা মীওই দাগেস্টান্দা লৈবা খালিল খালিলোভ (২২) নি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) না ফোঙদোকরকখিবা এটেক্ট অদুগী মরুমদা গ্রুপ অদু লৈখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চর্চ অদুদা চঙশিল্লকখিবা অরানবা তৌবা মীওই অদুনা হন্টিং রাইফল অমা শীজিন্নদুনা লাই খুরুম্লিবা মীওইশিং অদুদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপশিনখি। মফম অদুমক্তদা নুপী ৪ শিখি অদুগা অতোপ্পা নুপী অমনা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতূং লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা ডাক্তর লিবুদমিলা স্কের বাকোভ কৌবী নুপী অমা য়াওরি। মহাক দাগেস্টান হোস্পিটালদা চহী ৪০ চুপ্পা থবক তৌরক্লবা মীওইনি হায়না টাস ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

চর্চ অদুগী মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা মীওই কয়া লাই খুরুম্লিঙৈ মনুংদা মকোয় চোম্বা নুপা অমা চঙশিল্লক্তুনা অলাহু আকবর হায়বা খোল্লাও লাওবগা লোয়ননা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মীওই অদু রাইফল অমসুং থাঙ অমা পায়রকপা উখি হায়রি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা অথেংবদা ফোঙদোরকখিবদা এটেক্ট অদু লালহৌলূপ অদুগী ইনফোর্মেসনগী ওইরিবা অমককী লান্মী অমনা চত্থখিবনি হায়রি।

দাগেস্টান সুনি মুস্লিমশিংগী ওর্গনাইজেসন অমনা ফোঙদোরকখিবদা টেরোরিষ্ট এটেক্ট চত্থরক্তুনা মীওই ৫ গী পুন্সি মাঙহনখিবা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরি। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি।

দাগেস্টানদা লৈবা আই এস কী মশাশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সকী মথক্তা অকনবা এটেক্ট কয়া চত্থখিবসু লৈখ্রে। দাগেস্টান হায়রিবা মফম অদু রুসিয়াগী অৱাং থংবা কাওকস লমদমদা লৈবনি। লমদম অদুদা কাঙলূপ জাৎ কয়া খুন্দাখি। অদুম ওইনমক মুস্লিমশিংনা মশীং হেন্না খুন্দাবা মফম অমনি হায়রি।

মোস্কোগী চর্চ লুচিংবশিংনা দাগেস্টানগী মনুং চনবা কিসলেয়ারদা লৈবা চর্চ অমদা লান্দাদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবা অদু মথোঙ হুক্তবা থৌওং অমনি হায়না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

# রোটোমেক পেনগী মপুগী মথক্তা সি বি আই না রেদ চত্থখ্রে

**কানপুর, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ**
লৈঙাক্কী বেঙ্ক অমদগী লুপা ক্রোর ৩৬০০ গী লোন লৌখিবা অমসুং শিঙ্গৎতনা লৈরকখিবগী মতাংদা রোটোমেক পেনগী মপু বিক্রম কোথারিগী মথক্তা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) না থিগৎপা হৌখ্রে।



বিক্রম কোথারিগী উত্তর প্রদেশকী কানপুরদা লৈবা য়ুম অমসুং ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা সি বি আই না এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রবা মতূং থি হুম্বগী থবক চত্থখ্রে।

নাকল অমরোমদা বিক্রম কোথারিনা মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরাল অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অরানবা অমত্তা তৌখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক মহাক্না বেঙ্ক অমদগী লোন লৌখি। লোন শিঙ্গৎলক্তে হায়বা অদু অরানবা পাউ অমনি হায়খি।

বিক্রম কোথারি, মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপাদা সি বি আই না ঙসি অয়ূক পুং ৪ রোম তাবদা মখোয়গী তোঙান তোঙানবা লৈফম অহুমদা ৱাহং পাউহং চত্থখি।

সি বি আই গী পাউ মতূং ইন্না বেঙ্ক ওফিস বরোদানা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতূং ইন্না শেঞ্জাও পায়বা মীওই অদুগী মথক্তা থবক পায়খৎখিবনি। কোথারিনা এলহবাদ বেঙ্ক, বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, বেঙ্ক ওফ বরোদা, বেঙ্ক ওফ মহরাষ্ট্র, ইন্দিয়ান ওভর সিজ বেঙ্ক, ওরিয়েন্ট বেঙ্ক ওফ কর্মস অমসুং য়ুনিয়ন বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদগী পুন্না লুপা ক্রোর ৩,৬৯৫ কী শেলফম লোন ওইনা লৌখি হায়না মরাল শিরি।

রোটোমেক গ্লোভেল প্রাইভেট লিমিটেদগী চিয়ার্মেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্তর বিক্রম কোথারিনা ওইরি। পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কপী ৱাথোক কয়া লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা সি বি আই না কোথারিগী মথক্তা কেস লৌখৎতুনা থি হুম্বগী থবক লৌখৎখ্রে।

পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ক ৱাথোক্তা চেন্নরিবা মিরভ মোদি অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুং চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারী থাগী অহানবা চয়োলদা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেনখ্রে।

সি বি আই না পি এন বি গী মতাংদা থিগৎপা হৌরক্লিঙৈ মাঙওইননা নিরভ মোদিনা ওভর সিজ বেঙ্কতগী অশাবা গরেন্টি শীজিন্নদুনা শেল কয়া লৌথোকখি হায়রি।

চয়োল অমগী মতূংদা বিক্রম কোথারিসু লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেনখি। হৌজিক সি বি আই না অৱাংবা থাক্তা লৈবা মীওই কয়াগী মথক্তা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চত্থরি।

বিক্রম কোথারি নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকপা লূহোংবগী থৌরম অমদা মীয়াম্না উবা ফংখি। কোথারিনা হায়, মহাক মফম অসিদা লৈরি। মখা তানা লৈখিগনি। ইন্দিয়াদগী হেন্না ফবা লৈবাক অমদি লৈতে। করিগুম্বা মতমদা মহাক্না অতোপ্পা লৈবাক অমদা চেনবা লৈরোই হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

# কর্দশিং মতেঙ পাঙননবা সিরিয়ানা লান্মী থাজিনখ্রে



**সানা, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ**
সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা টর্কিশিংগা মায়োক্নরিবা সিরিয়ান কর্দ ফাইটরশিংদা মতেঙ পাঙননবা সিরিয়া লৈঙাক্না লান্মী থাজিনখ্রে।

সিরিয়াগী কর্দিস ওফিসারশিংনা ফোঙদোরকখিবদা দমাস্কস লৈঙাক্না লান্মী থাজিনবগী অয়াবা পীখ্রে। টর্কি লৈঙাক্না কর্দিস ফাইটরশিংদা মতেঙ পীরি। লোয়ননা আফ্রিনগী ঙমখৈ লানশিল্লুক্তুনা টেরোরিজমগী থৌওং কয়া চত্থরি হায়রি।

ইং ২০১২ দা সিরিয়ানা লান্মীশিং লৌথোকখিবা মতূং লমদম অদুদা সিরিয়াগী লান্মীশিং চঙশিনবা লৈত্রি। পুং খরগী মনুংদা আফ্রিনদা সিরিয়াগী লান্মীশিং চঙশিল্লক্তুনা মায়োক্নবা লানফম থেংনরগনি হায়না সনাদা লৈবা সিরয়ান ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

কর্দিসকী সেনিয়ার ওফিসিয়েল বদ্রান জিয়া কর্দনা রোইটর ন্যুজদা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী লান্মীশিংনা ঙমখৈ লমদমদা পোজিসন লৌদুনা লৈননবা খঙহনখ্রে। আফ্রিনদা কর্দিস ফাইটরশিং চঙশিল্লক্লিবা অদু মশানা খঙনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনখি। লোয়ননা সিরিয়া লান্মীনসু চপ মান্নবা মওংদা ৱারোয়শিন পুরক্কবা থবক পায়খৎপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না বি বি সি ন্যুজকী মীদন ইষ্ট এদিটর এলেন জোনষ্টোন্না ফোঙদোরকখি।

কর্দিস দিমোক্রেটিক য়ুনিয়ন পার্টিনা মখোয়গী আর্ম ৱিং অমসুং পিপল্স প্রোটেক্সন য়ুনিটতা শৌগৎলি। মখোয়না সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক কয়া ইং ২০১২ দগী হৌনা খুদুম চন্দুনা লৈরক্লি। পিপল্স প্রোটেক্সন য়ুনিটকী ৱাই পি জি না ফোঙদোরকখিবদা কর্দতা থোক্লিবা ইরাং অদুদা আই এস মিলিটেন্টশিংনা খূৎ চঙলকপা লৈতে। পাক চাউরবা স্বাথ লমদম কর্দিসকী লৈঙাক মখাদা লৈফম থোকই হায়রি।

টর্কিনা মখোয়গী লৈবাক মনুংদা থবক তৌরম্বা কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টি মখা তানা অথিংবা থম্নবগী থবক পায়খৎলক্লি। কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টিনা টর্কিগী শরুক খরা ওটোনোমি পীননবা চহী ৩০ রোমগী মমাঙদগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

নাকল অমরোমদা সিরিয়া মিলিটরি অমসুং ৱাই পি জি না সিরিয়াদা থোক্লিবা লাল অদু মতম নাইনা থোকপা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা ওইনা লৌই। মতম পূম্নমক্তা খূৎ থোক্লবগী ৱাফম লৈত্রবসু অখন্নবা মতম খরদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক থোক্লি। লমদম অদুদা খ্বাইদগী হেন্না তমথিবা অমসুং চাওখৎতবা মওংগী লাল থোক্লি হায়না জিয়া কর্দ কৌবা লুচিংবা অমনা ফোঙদোরক্লি।

# মহারাষ্ট্রগী লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা মহৈরোয় ৫ শিরে, ২৯ অশোক-অপন নংখ্রে

**মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ**
মহারাষ্ট্রগী কোলহাপুর দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মহৈরোয় ৫ শিরে অদুগা মীওই ২৯ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না মুম্বাই - বেঙ্গলুরু হায়ৱেগী নাগাও খুঙ্গং মনাক্তা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। ছত্ত্রপটি সিবাজি মহারাজগী শিব জয়োতিদা পাঙথোক্কদবা মপোক কুমওন থৌরম য়াওননবা মহৈরোয় ৪৪ ট্রক্ট অমা তোংদুনা শাংগ্লি তম্না লাকপদা মীশি মীনাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মহৈরোয় কয়া পুবা ট্রক্ট অদুদা অতোপ্পা গারী অমনা মনীংদগী থোমজিল্লকখি। লোয়ননা ট্রক্ট অদুনা অমুক মোটোর সাইকল অনী থোমগাইখি। শোক্লবা মীওইশিং অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুম ওইনমক ডাক্তরশিংনা মহৈরোয় ৫ দি শিনা পুরক্লে হায়না লাওথোরকখি।

হৌজিক হৌজিক মহৈরোয় ২৯ লায়কন্নরি। মহৈরোয়শিং অদু সিবাজিগী মপোক কুমওন থৌরম অদু য়াওননবা কানপুর দিষ্ট্রিক্টকী পালহলা লমদমদগী খোঙশাল্লকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# ইষ্ট জয়ন্টিয়া হিলসতগী লুপা লাক্ষ ১৭ ফাগৎখ্রে

**শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ**
মেঘলায়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অদু অকি অখং য়াওদবা অমদি শেল থাদবা য়ারোইদবা মীখল অমা ওইহন্নবগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লি।

মীখলগা মরী লৈননা অকনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা পুলিসনা ঙসি ইষ্ট জয়ন্টিয়া হিলসকী মনুং চনবা উমটেয়রনা লমদমদগী লুপা লাক্ষ ১৭ ফারে। পাউ অসিগী মতূং ইন্না য়াম্লবা শেলফম অদু মারুটি অলতো অমদা হাপ্তুনা চৎলম্বদগী ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতূং পুং ২.১৫ রোম তাবদা ফাগৎখিবনি।

য়াম্লবা শেলফমশিং অদুগা লোয়ননা সঞ্জয় গর্গ কৌবা মীওই অমসু ফারে। সঞ্জয়না ফোঙদোকখিবদা মহাক ষ্টার সিমেন্টকী শিন্মী অমনি। মহাক্না কম্পনি অদুগী শেলশিং অদু পুদুনা লাকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক মীখল পাঙথোক্লিবা ষ্টেট অদুদা ইলেক্সন কম্মিসন্না লুপা লীশিং ৫০ দগী হেন্না পুদুনা চৎপা য়ারোই হায়না খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি।

লুপা লীশিং ৫০ দগী হেন্না পুদুনা চৎলম্বা থেংনরবদি শেলফম অদুগী মতাংদা ৱাহং পাউহং চত্থগনি হায়খি।

চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার এফ আর খারকোঙ্গোরগা পাউ ফাওনবদা য়াম্লবা শেলফম ফারে হায়বদু চুম্মে। শেলফম অদু করম তৌনা পুরকখিবনো অমসুং করিগীদা শীজিন্নগদবনো হায়বদু খঙদোক্লবা থিগৎপগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।

# ফ্রান্সকী অল্পসতা উন নীংখাইরকপদা মীওই ২ শিরে

**পেরিস, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ**
ফ্রান্সকী অল্পস চীংশাং পরেংগী শরুক খরদা উন নীংখাইরকপদা চহী ৪৩ শুরবা অমসুং মহাক্কী চহী ১১ শুরবা মচানুপী লৈখিদ্রে।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না পিসাইলাস গ্লেসিয়রদা উন নীংখাইরকপনা মরম ওইরগা হায়রিব মপা মচা অদু থিবা খঙদনা লাকখিবনি।

উন নীংখাইবগী থৌদোক অদুদা অতোপ্পা মীওই অমসু শিখ্রে হায়বগী পাউ লৈরি। ওথোরিটিনা হৌজিক অল্পস চীংজাওগী অঙম্বা চীংমায়দা করম তৌনা মপা মচা অদু য়ৌরকখিবনো অমদি করম তৌনা খুদোংথিবা থৌদোক অদু নংখিবনো হায়বা খঙদোক্লবা থিগৎপগী থবক চত্থখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা চীংগী লমদম অদুদা থিবা খঙদনা লৈরকপা মীওইশিং অদু ফংননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মীওইশিং অদু মতম শাংনা থিবা খঙদনা লৈরক্লবা মতূং ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতূং মখোয়গী হকচাংশিং অদু থেংনখিবনি।

সুইজর্লেন্দদসু উন নীংখাইবগী থৌদোক কয়া হৌখিবা চয়োল অসিগী মনুংদা থোকখিবা লৈখ্রে। সুইজর্লেন্দগী উন নীংখাইবগী থৌদোক অদুদা শোক্লিবা মীওই অনী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মখোয় খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়রি।

# ইরানগী পেসেঞ্জর প্লেন কায়খ্রবা মতূং অকনবা মওংদা থি হুম্বগী থবক চত্থখ্রে, অতেক-অকায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে

**তেহরান, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ**
ইরানগী মী পুবা প্লেন অমা কায়খ্রবা মতূং ওথোরিটিনা অকনবা মওংদা কায়খ্রবা প্লেন অদুগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনখ্রে। প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই ৬৬ শিরম্লগনি হায়বগী চিংনবা লৈখ্রে। ওফিসিয়েলশিংনা কায়খ্রবা প্লেন অদুগী খোঙ্গুল লীবগা লোয়ননা অতেক-অকায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে হায়না ইরান এবিয়েসনগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

অসেমন এয়ারলাইন পেসেঞ্জর প্লেন অদু জাগ্রোস চীংশাংদা ঙরাং কায়দুনা তাশিনখিবনি। চীংকারোয় ১০০ হেনবনা হুই অমসুং দ্রোন শীজিন্নদুনা মী থিবগী থবক চত্থরি। লমদম অদুদা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম ফত্তবনা মী থিবগী থবক চত্থবদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে।

লৈচিন থানা তাবা অমসুং অকনবা নুংশিৎ শিৎপনা হেলিকোপ্টর চঙশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মীওই ৬৬ তোংখিবা এ টি আর ৭২-৫০০ কৌবা ইঞ্জিন অনী পানবা প্লেন অদু টেহরানদগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা য়াসুস সহর তম্না পাইখিবনি।

ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা প্লেন কায়দুনা তাশিনখিবা মফম অদুদা মী কনবা কাঙবুশিং য়ৌশিনবা ঙমখ্রে। কায়খ্রবা প্লেন অদু চহী ২৫ রোম শুরবা লিরবা প্লেন অমনি হায়না ইরানগী সিভিল এবিয়েসন ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোরক্লি।

## GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : 19/01/18
Valid : 17/01/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 03/01/18
Valid : 29/12/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 28/12/17
Valid : 23/12/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 09/01/18
Sl. No. upto 15785
Valid : 04/01/18
Stk : 306
Time : 07.00 a.m

**Khurkhul Indane**
Booking : 31/11/17
Valid : 17/11/17
Stk : 306
Time : 08.00 to 12.00 noon

**Mahalakshmi Indane Gas**
Booking : 02/01/18
Sl. No. upto 205830
Valid : 21/12/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 16/12/17
Valid : 11/12/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 10/02/18
Valid : 08/02/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m
19 kg Available

**Ashangbi Gas, Sugnu**
Booking : 16/01/18
Valid : 26/12/17
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 28/12/17
Valid : 24/12/17
Stk : 306/19kg 10
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Imphal LPG**
19kg 180
Delivery Point Heinoupok Godown

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 01/01/18
Valid : 05/12/17
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**সনা-সুদোকু -১০৮৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 1 | 2 | 7 | 9 |
| 7 | 8 | 4 | 2 | 9 | 6 | 1 | 5 | 3 |
| 1 | 2 | 9 | 5 | 3 | 7 | 6 | 4 | 8 |
| 4 | 1 | 3 | 9 | 8 | 5 | 7 | 6 | 2 |
| 2 | 9 | 7 | 6 | 1 | 4 | 8 | 3 | 5 |
| 6 | 5 | 8 | 7 | 2 | 3 | 4 | 9 | 1 |
| 5 | 4 | 2 | 3 | 6 | 8 | 9 | 1 | 7 |
| 9 | 7 | 1 | 4 | 5 | 2 | 3 | 8 | 6 |
| 8 | 3 | 6 | 1 | 7 | 9 | 5 | 2 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1089**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 1 | | | | | | |
| | | | 9 | | 5 | | | |
| 4 | | 2 | | | | 6 | | |
| | | | | | | | 6 | 5 |
| | 7 | | 4 | 2 | | | | |
| | 9 | | | 5 | 8 | 1 | | 7 |
| 2 | 4 | | | 3 | 7 | | | 6 |
| | | | 8 | 4 | 1 | | | |
| 8 | | | | | | | 4 | |